৭শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# হোকি য়ুনিয়ন্না সেয়ো শিংজমৈবু পাঞ্জল ৮-৪দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা হোকি য়ুনিয়ন্না সেয়ো শিংজমৈবু পাঞ্জল ৮-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়াদুনা পুল অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ৬শুবা মেচ ওইনা হোকি য়ুনিয়ন অমসুং সেয়ো শিংজমৈ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীনা হেনজিন্নবা ঙম্নদনা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা ক্বার্টরদা হোকি য়ুনিয়ন্না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা হোকি য়ুনিয়নগী শান্নরোয় প্রিতম জর্সি নম্বর ১০না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ১৮শুবা মিনটতা টিমমেট পাপুনাও হাওবম জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি। মেচকী ২৪শুবা মিনটতা রিকি তোঞ্জমনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা লৈখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা হোকি য়ুনিয়ন্না মখা তানা হেন্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩৫শুবা অমদি ৩৬শুবা মিনটতা রিকি তোইজম অমদি রোবিনসন্না পাঞ্জল অমমম চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৫ শুহনখি। মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা সেয়ো শিংজমৈগী কে এস ঐচ শান্তকুমারনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-৫দা অমুক লৈহনখি। হোকি য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী রোবিনসন্না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৬-১দা লৈখি।

অরোইবা ক্বার্টরদা সেয়ো শিংজমৈগী মায়কৈদগী মেচকী ৪৭শুবা, ৪৯শুবা অমদি ৫৬শুবা মিনটতা শান্তকুমার, হেমলেট অমদি দিঙ্কুনা পাঞ্জল অহুম চন্দুনা ৪-৬তা অমুক লৈহনখি। হোকি য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী মেচকী ৫৩শুবা অমদি ৫৪শুবা মিনটতা সোনিকান্ট অমদি রিকিনা পাঞ্জল অনী হাপচিন্দুনা মেচ অদু হোকি য়ুনিয়ন্না পাঞ্জল ৮-৪দা মায় পাকখি।

# মোলকোন টিমনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): দি আই জি হেদ ক্বার্টর কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি (ওপরেসন) মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ১৮২শুবা বি এস এফ কোইরেঙ্গৈনা শীন্দুনা ইন্টর ভিলেজ বোল্লিবোল কম্পিটিসন অমা লমলাই পি এসকী মনুং চনবা মোইরোংপুরেল পোষ্টতা পাঙথোকখ্রে।

কম্পিটিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা ভিলেজ মরিগী টিমশিংনা শরুক য়াখি। লৱার আইসলেন্দ, ইথম য়ুথ ক্লব, মোলকোন অমসুং রিসোপুংগী টিমশিংনা শরুক য়ারগা ঙরাংদগী হৌদুনা পাঙথোরকখিবা বোল্লিবোল কম্পিটিসন অসিগী ফাইনেল মেচ ঙসি মোলকোন টিম অমসুং ইথম য়ুথ ক্লবনা শান্নখি।

ফাইনেল মেচ অদুদা মোলকোন টিমনা ইথম য়ুথ ক্লবপু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা ইথম য়ুথ ক্লবনা রন্নর্স-অপ তাহৌখিবনি।

৫৫শুবা বি এস এফকী রাইজিং দে সেলেব্রসনগা মরী লৈননা সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি মীয়ামগগী মরক্তা হেন্না চেৎশিন্নবা মরী থম্নবগীদমক পাঙথোকখিবা মেচ অদুগী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমসু পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ১৮২শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফ কোইরেঙ্গৈগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ থোকচোম বিনোদনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখিবা টিমশিংদা ফুটবোল, বোল্লিবোল অমদি নেটনচিংবা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৮ (ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশকী লক্ষনৌদা লৈবা বাবু ষ্টেদিয়ম মল্টিপর্পজ হোলদা লাক্লিবা দিসেম্বর ৮দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১৩শুবা নেসনল কুংফু চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৪৫দা এম প্রকাস, কেজি ২৯দা এল অর্বিন, কেজি ২০দা অপানথোই, কেজি ২৪দা এল ভেরোনিকা, কেজি ৪৭তা এম প্রেমজিৎ, কেজি ২৭তা এম মালেমঙানবা, কেজি ৪৭তা এন অভিনাশ, কেজি ৪৭তা ও সনাতোম্বা, কেজি ৫৪দা কে রোজি, কেজি ৩২দা এম দি মজিবুর, কেজি ৫০দা সুরজ, কেজি ৪৭তা ও রিকি, কেজি ৫০দা এল জেকি, কেজি ৫৩দা অবিনাস, কেজি ৪৩দা বিশাল, কেজি ৪০দা আই গোদসন, কেজি ৫২দা সী ঐচ রোসনি, কেজি ৪৫দা পি ঐচ সোফিয়া, কেজি ৩৮দা সী ঐচ ষ্টেলোন, কেজি ৩৭তা ঐচ দোল্লি, কেজি ৫০দা এন রেজিনা, কেজি ৬১দা সী ঐচ রতন, কেজি ৫৬তা এস পোইরৈঙানবা, কেজি ৬৫দা এস পারিতোন, কেজি ৩৪দা এস রোকি, কেজি ৬১দা পি ঐচ রাজ, কেজি ৩০দা পি ঐচ জয়াসেন, কেজি ৫৬তা এম এরিশকুমার, কেজি ৪৮দা টি রেনবোসননি।

ওফিসলদা মেনেজর ওইনা এম অনিল, কোচতা রোমেন, এসিষ্টেন্ট কোচতা টি ঐচ কিরননি।

# ম্যান্মার নুপী ফুটবোল টিম ককচীং লমখাইদা মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৯গী শরুক অমা ওইনা ম্যান্মার অমসুং মণিপুরগী নুপী ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেচ অমা শান্নবগীদমক ম্যান্মারদগী সঙাইন অমসুং মন্দলেদগী নুপী ফুটবোল টিম ঙসি ম্যান্মারদগী মণিপুরদা থুংলখ্রে।



ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা স্পোন্সর অমসুং মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক, ককচীং ব্রাঞ্চনা কো-স্পোন্সর ওইদুনা ম্যান্মারগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিং অদুবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী লমখাইদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ম্যান্মার শান্নরোয় অমসুং ওফিসল ৫২না শরুক য়াখি।

ম্যান্মারগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিং অদু ঙসি অয়ুক মোরেদা থুংলরবা মতুংদা মফম অদুগী মীয়াম্না মখোয়বু হরাও তরাম্না ওক্লবা মতুংদা ইম্ফালগীদমক মোরে থাদোক্লমখিবনি। টিম অদুনা ঙসি নুংথিল ককচীং ককচীং লমখাই য়ৌরকপদা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্র, ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপর্সন নাওরেম সঞ্জিৎকুমার, কাউন্সিল্লরশিং, জোইন নন গভর্ণমেন্ট ভলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও), ওল ককচীং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ কে এস য়ু), ককচীং লমখাই বজার বিজিনেস ৱেলফ্যের বোর্দ, দি এস এ ককচীং অমসুং ককচীং পব্লিক স্কুলগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিং য়াওনা হরাও তরাম্না ওকখি। মফম অদুদা শান্নরোয়শিং অদুগা মীয়ামগা লোয়ননা অচা অথকশিংসু চামিন্নখি।

সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৯গা মরী লৈননা মণিপুরগী নুপী ফুটবোল টিমগা ম্যান্মারদগী ঙসি মণিপুরদা থুংলখিবা নুপী ফুটবোল টিম অনীনা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অসি হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংগী শান্নবুংদা শান্নগনি। মেচ লোইরবা তুংদা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রনা ককচীং গার্দেনদা শান্নরোয়শিং অমদি ম্যান্মার টিমগী ওফিসলশিং অদুবু ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ত্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৮ (ঐচএনএস): কোলকটাদা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ২দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদবা ৭২শুবা মেন এন্দ ৩৫শুবা ৱিমেন সেনিয়র নেসনল ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়ানবা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা দিসেম্বর ১৪দা খুমন লম্পাক্কী সাই এস এ জি হোলদা পাঙথোক্লগনি। মণিপুর টিম শেম্নবা ত্রায়ল সেলেক্সন অসি মমাঙগী ত্রায়ল সেলেক্সন/পর্ফোর্মেন্স টেষ্ট রেকোর্দসু য়েংগনি। প্লেয়রশিংগী ৱেট ওনবনা দিসেম্বর ১৪গী অয়ুক পুং ৮দা সাই এস এ জি হোলদা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা ত্রায়ল টেষ্টনা অয়ুক পুং ১০.৩০দগী হৌগনি। এথলেট, কোচ, টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা অয়ুক পুং ৭.৩০ ফাওবগী মনুংদা সাই এস এ জি হোল খুমন লম্পাক্তা রিপোর্ট তৌগদবনি।

## টেনিস বোল ক্রিকেট

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৮ (ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশকী গোরাখপুরদা দিসেম্বর ২৫দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২৪শুবা সবজুনিয়র য়ু-১৬ নেসনল টেনিস বোল ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ (বোইজ এন্দ গর্লস) দা শরুক য়ারুনবা মণিপুর টেনিস বোল ক্রিকেট এসোসিএসনগী টিম শেম্নবা ত্রায়ল কম সেলেক্সন টেষ্ট অমা দিসেম্বর ১গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা পাঙথোক্লগনি। ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানীংবা শান্নরোয়শিংনা মশা মশাগী অধার কার্দকা লোয়ননা লাক্লবা খঙহল্লি। ত্রায়ল সেলেক্সন অসিগীদমক এন সুরজিৎ জোইন্ট সেক্রেটরি অমদি এম প্রিয়োবত্তদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লক্লি।

# লাংলেনতোম্বী, ওক্রম ইয়াথোইনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচএন এস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকটাদা থা অসিগী ২৫দগী ৩০ ফাওবা চথগদবা ১৯শুবা সব-জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুর ৱুশু টিমগী তাওলু গ্রুপ বিদা হঞ্জবম লাংলেনতোম্বীনা ননক্কান্দা গোল্ড অমসুং ননদাওদসু গোল্ড অমা পুন্না মেদল ২ অদুগা ননক্কান্দা ওক্রম ইয়াথোইনা গোল্ড অদুগা ননদাওদা সিলভর অমা পুন্না মেদল ২ লৌবা ঙমখ্রে।

## ভেটরান টেবল টেনিস

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৮ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শীন্দুনা দিসেম্বর ১৩দগী ১৫ ফাওবা ২০শুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ দি এম কোলেজতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি। ইভেন্টশিং অদুদি মেন্স সিঙ্গল অমসুং দবলকী চহী ৪০, ৫০, ৬০, ৬৫ অমদি ৭০ মথক, ৱিমেন্স ওপন কেটেগোরিদা সিঙ্গলস, দবলস অমদি মিক্স দবলসনি। অকুপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৮৮৩৭৩৪২৫২৭দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৮ (ঐচএনএস): খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২০ অন্দর-২১ গর্লস ফুটবোলদা শরুক য়ানবগীদমক ষ্টেট লেভেল ত্রায়ল কম সেলেক্সন লাক্লিবা দিসেম্বর ৫দগী ৭ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি। চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা রেজিষ্ট্রেসন, এন্ট্রি ফোর্ম অমসুং দিটেলস খুদিংমক দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিস চাদে দলদগী খঙবা/লৌবা য়াগনি হায়রি।

## ১৩শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৮ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেল হয়েং ইংলেন্দ পোলো টিম অমসুং ইন্দিয়া (বি) মণিপুরনা লম্বা তৌনরগনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।১১।২০১৯ ইং, ইরাই; পোইনুগী ৩নি পানবা।

**মেষ :** লৌশিং চাওবা ওইবনা ৱাখল তামিন্নথোকপা য়াগনি অমদি ৱানোম-থৌনোমগী থবক্তসু মায় পাক্কনি। শেল পনবা অমদি য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাঙবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ :** নীংবা থুংগনি, লাইবক ফগনি অমদি মীয়ামগা মরী ফবা নুমিৎনি। অফবা থবক্তদি শেল-থুম থাদবা য়াবা নুমিৎনি। হৈশিংবদি শাগনু, পংশিন্নবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**মিথুন :** নচাক-নরল চাওখৎকনি অমদি মীকোক থোংগনি। অনৌবা থবক চিংনদনা পাংবা য়াররি অমদি অফবা মফম ফংই । মীয়াম্নদি লৌথোকনীংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা খরা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** পোরম য়াৎপা হৈগনি, নক্লবনা চানবীগনি অমদি অমদি অরং অরাক লৌবা কান্নগনি। অদুবু ফিংবনা মরুপ কাইনবা অমদি চরাংনবনা মতম মাঙবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** হৈশিংবা অমদি ইশাগী থৌনা উৎথোকপা ঙমগদবা নুমিৎনি অমদি মদুনা পাংঙমদবা থবক পাংগনি। অরাপ্পা মীগী মতেং লৌবা য়াগনি, নুংঙাইবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** নরল চাওখৎকনি, লাই-গুরুনা চানগনি, মীরক চংবদা নুংঙাইজবা অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোইদবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দসু চাউনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** খোইরাংবা লৈ ঙসিসু অমদি অরং-অরাক ময়েং তাবগুম থোক্তনবা ৱা য়াম্না ঙাঙগনু। অনৌবা থবক্তা লন কাইবা য়াবা লাক্কনি। মরুপ্পদি তেংবাংবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** লৌশিং চাওখৎপা, হরাওবা, নচা ননাইসু ফংজবা অমদি অফবা মীংচৎ ফংবা নুমিৎনি। পাউদি নুংঙাইতে, হুরানবনা তাথি, লম চৎপা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - মীতোপ থাজদ্রদি ৱানীংঙাই লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** হন্থবা লোয়নবনা মাঙজবতা ওইগনি, অকল-অরিং শাবনা কাইনবা নংগনি-নোল্লুক্না চৎলু। মীয়াম্নদি য়াই অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুমদি ফংবা য়ারে।
লৈশা পাখংশিংগী - মীতোপ থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** ওইজবা ফংগনি, মীচং লৈগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই। পাউসু নুংঙাইবা তাগনি অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবনা থৌ পাংগনি। ঈরাং পুবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - খরদি নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কুম্বা :** ৱা য়াম্না ঙাঙগনু অমদি পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎলি অদুনা অখণ্ড-অহৈ তান্নবা তনগনু। অনীংবা থবক পাংবদা থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি-মীনা কীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন :** থেংলপ্পা নুংঙাইবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা লৈগনি। পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা নত্রগা থবক পাংবা লৈগনি, থিবা হুম্বা কান্নগনি। হুরানবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং তয়াংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।






## থাগৎচরি

লৈবাক অসিদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মশীং লেপ্পগী ওথোরিটি ওইরিবা ওদিট ব্যুরো ওফ সর্ক্যুলেসন (এ বি সী) না কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী থাদগী জুন থা ফাওবগী পীবা সর্টিফিকেসন ফংবা মণিপুরগী পাউচেশিংদি হুইয়েন লানপাউ অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসনি। এ বি সীনা পীবা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা সর্টিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না

**হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী ইদিসননা**
**মণিপুরদা অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফোঙবা পাউচে** ওইরে।

পাউচে অসিবু লীশাং শীৎনা পাবিরক্লিবা অমদি পুক্নীং থৌগৎপীরক্লিবা খুদিংমকপু নোল্লুকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মতুং তারকপদসু পাউচে অসিবু হেন্না মপুঙ ফানা পুথোকপা ঙম্নবা পুক্নীং থৌগৎপিয়ু। অশোয়-অরান য়াওরগসু তাকপীরকউ। মীয়ামগীদমক পাউচে অসিনা হেক ঙল্লিবমখৈ অঙম্বা থৌদাং লৌজগে।

*পুন্নমকপু অমুক্কা হন্না থাগৎচরি!*

HL-B/5814/22-6dec.





HL-B/5837/29nov to 27jan




HL-B/5749/17oct-16nov


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com